# ইস্লামিক ষ্টেটনা প্রোপেগন্দা চীফ শিবগী পাউ কনফার্ম তৌখ্রে



বৈরুট, ওক্টোবর ১১ : হৌখিবা থাদা সিরিয়াগী রাকা প্রোভিন্সিতা য়ু এসনা লুচিংদুনা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইকতা শিখ্রে হায়না পেন্টাগন্না ফোঙদোকখিবা আই এস আই এসকী প্রোপেগন্দা চীফ শিখিবগী পাউ অদু গ্রুপ্ অদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কনফার্ম তৌখ্রে।

মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুনা ওনলাইন্দা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা অবু মোহম্মদ অল ফুরকন হায়নসু খঙনবা ৱাইল অফিল হশন সলমান অল ফায়াদকী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা করম্বা মতমদা কদায়দা অমসুং করম্না মহাক শিখিবগে হায়বদুদি পনখিদে।

পেন্টাগন্না হৌখিবা থাদা ফোঙদোকখিবদা সেপ্টেম্বর ৭ তা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না এয়র ষ্ট্রাইক চথুদুনা অল-ফায়াদ হাৎখ্রে হায়খি।

পেন্টাগন্না মহাক ইস্লামিক ষ্টেটকী প্রোপেগন্দা য়েংশিল্লিবা ইনফোর্মেসন মিনিষ্টরনি অমসুং সিনিয়র সুরা কাউন্সিল নৎত্রগা লিদরশিপ গ্রুপকী শক্ল ইরবা মেম্বর অমনি হায়খি।

আই এসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা অল-ফায়াদপু মিদিয়া আমগী মকোক্নি হায়খি।

এয়র ষ্ট্রাইক অদু নোদর্ন সিরিয়াদা আই এসকী দিফেন্স কেপিটেল ওইরিবা রাকাগী মনাক্তা চথখিবনি অমসুং মদু মহাক্কী য়ুমগী মপানদা মোটোরসাইকল তোংদুনা লৈখিবা অল-ফায়াদতা টার্গেট তৌখি হায়না পেন্টাগন্না ফোঙদোকখি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা ইরাক অমসুং সিরিয়াগী চাউরবা মফম কয়া কন্ট্রোল তৌরি। গ্রুপ অসিনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা জর্নেলিষ্ট অমসুং এইদ ৱার্করশিং মঙক লেন্দুনা হাৎখিবগী ভিদিও কয়া ফোঙখ্রে। লৈবাক কয়াদা গ্রুপ অসিগী সিম্পেথাইজর কয়া লৈ। মখোয়না বোম্মিং এটেক কয়া চথখ্রে অমসুং মীচম কয়া হাৎখ্রে।

# বাংলাদেশ বোর্দরদা ম্যান্মারগী পুলিস ওফিসর ৯ খুৎলায় পায়বশিংনা হাৎখ্রে


য়াঙ্গোন, ওক্টোবর ১১ : বাংলাদেশকা লোন্নবা রাখিনে ষ্টেটতা খুৎলায় পায়বশিংনা কোওর্দিনেটেদ এটেকশিং চথুদুনা ম্যান্মারগী পুলিস ওফিসর মাপন হাৎখ্রে লোয়ননা মতুং তারকপদা চথখিবা মিলিটরি ওপরেসন অমদা য়ামদ্রবদা মীওই নিপান শিখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা হায়রি।

এটেকশিং অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱেষ্টর্ন ষ্টেট রাখিনেগী মাউংদোগী মনাক্তা লৈবা বোর্দর পোষ্ট অহুমদা চথখি। রাখিনে ষ্টেটতা বুধিষ্টশিং অমসুং রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী মরক্তা টেন্সন লৈরিবনি। মুস্লিমশিং মফম অদুদা ফীভম চাদনা লৈ হায়রি।

'পুন্না পুলিস মাপন শিখ্রে, অতৈ মরিনা অশোক-অপন নংখ্রে অমসুং অমনা হৌজিকসু থিবা খঙদ্রি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল টিন মাউং স্বেনা এ এফ পি ন্যুজ এজেন্সিদা হায়খি।

কনামত্তনা এটেকশিং অদুগা মরী লৈননা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি তৌইগুম্বসুং টিন মাউং স্বেনা রোহিংয়া সোলিদরিটি ওর্গনাইজেসন (আর এস ও) হায়না খঙনবা লাল হৌবা গ্রুপ অমনা এটেক অদু চথখিবনি হায়না মরাল শীখি।

আর এস ও অসি কুমজা ১৯৮০ গী মতুং চহী খরা অমসুং কুমজা ১৯৯০ গী মতুং চহী খরদা এক্টিভ ওইখিবা গ্রুপনি তৌইগুম্বসুং চহী ২০ রোম অসিদা করিমত্তা তারকখিদ্রবনি।



মতুং তারকপা মিলিটরি ওপরেসনদা মীওইনিপান হাৎখি। গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা এটেক্করশিং কোইতান তান্নখিবা অমসুং হুখিবা খুৎলায়শিং য়ুম-য়ুমদা চঙদুনা থিবদা মীওইশিং অদু হাৎখিবনি হায়রি।

এরিয়া অদুদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা রোহিংয়া ঙাক্তনি। মখোয় লৈবাক অসিদা বুধিষ্ট মেজোরিটিগী মরক্তা মীওই কয়ানা মীরৈবাক্তগী চঙশিল্লকপা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিংনি হায়না ফোঙদোক্লবা ষ্টেট অমা লৈতবা মুস্লিম মাইনোরিটি কাঙবুনি।

এটেকশিং অদুনা য়ুমথংনবা বাংলাদেশতা পেট্রোলিং কনখৎহনখি অমসুং তেকনাফ লেন্দ পোর্ট ফাওদুনা চথোক-চৎশিন তৌবা থিংখি।

তং-তাদবা চরাংনবগী ফীভম অদুনা কুমজা ২০১২ দা থোকখিবা কাঙলুপকী ঈরাং নৌহৌননা থোক্লক্কদ্রা হায়বগী অকিবা পোকহনখ্রে। মমাঙগী কাঙলুপকী ঈরাং অদুদা মীওই ১০০ হেন্না শিখি অমসুং মীওই লিশিং কয়া ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদে। কেপিটেল নেপিয়িদোদা পুলিসনা এটেক অদু কনফার্ম তৌখ্রে অমসুং এটেক্করশিংনা খুৎশু খুৎলায় কয়া পুখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রাখিনে অসি কুমজা ২০১২ দা কাঙলুপকী ঈরাং থোকখিঙৈদগী লাইনিং-লাইশোলদা য়ুম্ফম ওইদুনা মচেৎ তানা খায়দোক্লি। কাঙলুপকী ঈরাংদা মীওই কয়া শিখিবগা লোয়ননা মীওই লিশিং কয়া লাঞ্জেন্নখি। মুস্লিম রোহিংয়াশিং কেম্পশিংদা অথিংবা কয়াগা লোয়ননা লৈ। রাইটস গ্রুপশিংনা থৌওং অদুবু এপরথাইদকা চাংদম্নখি।

# অলেপ্পোগী অশোকপশিং লায়েংনবগী খুদেংচাবা ফংহন্নবা মেদিকশিংনা রেজিমদা তকশিনখ্রে



বৈরুট, ওক্টোবর ১১ : হন্দক চয়োল খরা অসিদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা ওফিন্সিভ চথুদুনা মীওই চা কয়া হাৎখিবগা লোয়ননা সিরিয়াগী অলেপ্পোগী রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা শরুক্ত অশোকপশিং লায়েংবা য়ানবগী খুদোংচাব ফংহন্নবা দোক্টর্স ৱিদাউট বোর্দরসনা হায়জখ্রে।

ফ্রেঞ্চ এক্রোনিম এম এস এফ হায়রগসু খঙনবা ইন্টরনেসনেল চেরিটি অদুনা হায়খি মদুদি, অলেপ্পোদা লৈরিবা মেদিকেল ৱার্করশিং মশা পুংচোক চোকথনরে অমসুং থবক্লা হেল্লবা মী অমসুং পোৎ-চৈৱাংলবা ফেসিলিটিশিং অদু ফ্যুঅল ফংদবগী ফীভম অমা লাক্কদৌরে। অলেপ্পোগী লাঙ্গৈই চল্লবা ইষ্টর্ন ক্বার্টরসতা হোস্পিটাল নিপান সপ্পোর্ট তৌরিবা এম এস এফনা হায়, এরিয়া অদুদা লৈরিবা দোক্টরশিংগী মশিং সুপ্নগী ৩৫ খক্তনি। মখোয়না মীওই ২৭৫,০০০ সার্ভ তৌরি।

ইষ্টর্ন অলেপ্পোগী হেল্থ দিরেক্টোরেটনা হায়খি, অশোকপশিং অদু মী চিল্লবা হোস্পিটালশিংগী মপানদা তুম্না-হিপ্নদুনা মেদিকেল ক্যের ঙাইরি। সিরিয়ন অমসুং রসিয়ন ৱারপ্লেনশিংনা বোম কয়া থাদবদুনা চহী অসিনা লোইবা ফাওবগী মনুংদা অহেনবা মীওই লিশিং কয়া অমসু শিরগনি হায়না য়ু এননা চেকশিন-ৱা পীখ্রে।

রসিয়া অমসুং সিরিয়ানা মফম মরাং খঙদনা বোম্মিং তৌবা লেপকদবনি অমসুং করিমত্তা ঙাকপী-শেনবীদ্রবা মীচমশিংবু কা হেন্না ৱাহন্দনবা রুলশিং ঙাক্কদবনি হায়না মিদ্দল ইষ্টতা এম এস এফকী ওপরেসন্স মেনেজর ওইরিবা পেবলো মার্কোনা হায়খি।

লোকেল কন্টেক্টশিংগী খুথাংদা কনফ্লিক্ট অদুবু মোনিটর তৌরিবা বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ইষ্ট-ৱেষ্ট অলেপ্পোগী ফ্রন্ট লাইনশিংদা অকনবা লাল শোক্লবগী পাউ পীখি।

এক্টিভিষ্টশিংনা রন তৌবা অতোপ্পা গ্রুপ লোকল কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা হায়খি, মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না সার্ভ তৌরিবা সিটি অদুগী খ্বাইদগী চাউবা ঈশিংগী ফেসিলিটিদগী গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং তকথোকখিনবা রেবেলশিংনা লাল কন্না শোক্লখি।

কেপিটেল দামাসকসকী মনাক্তা লৈবা অতোপ্পা লাঙ্গৈই চল্লবা এরিয়া অমদা দোক্টরশিংনা মেলন্যুট্রিসননা মরম ওইদুনা কিদনি ফেল ওইবগী কেস দজন অনীরোম লৈরে হায়না দোক্টরশিংনা ফোঙদোকখি। মহম্মদ দারৱিশ কৌবা লোকেল ফিজিসিয়ন অমনা হায়খি মদুদি, মাদায়া টাউন্দা মীওই ১২ কিদনি ফেল ওইরে হায়না দোক্টরশিংনা কনফার্ম তৌখ্রে অমসুং অতোপ্পা কেস ১২ সু ইনভেষ্টিগেসন তৌরি।

গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরুক্তগী মীওই ৪০,০০০ লৈবা মাদায়া টাউন কোইশিন্দুনা থল্লকখি। হৌখিবা নিংথমথাদা চিঞ্জাকৱাৎপা অমসুং মেদিক্যের ৱাৎপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিখ্রে হায়না এম এস এফনা ফোঙদোকখি।

'ঐখোয়না সুপ্নগী কার্বোহাই-দ্রেটশিংদমক চারি। ভিটামিনশিং নৎত্রগা প্রোটিন অমত্তা চাদ্রে' হায়না দারৱিশনা হায়খি।

গভর্ণমেন্টনা য়ু এনবু টাউন অদুদা চানবা হৱাই- চেঙ হৱাই পুশিনবা নৎত্রগা দাইলাইসিসকী কিট পুশিনবদা অথিংবা থমখি। মদু ওপোজিসন্না টাউন অদুবু নমদুনা সরেন্দর তৌহন্নবগী ষ্ট্রেটেজি অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বান কিমুন্না সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাশর অশাদপু মীশি-মীনা ময়াম থোকহনবগী মরাল শীরদুনা হায়খ্রে মদুদি, মহাক্কী লিদরশিপ ফেল ওইবদগী লাল অদু হৌখিবদগী সিরিয়াদা মীওই ৩০০,০০০ হেন্না শিখ্রে।

বাননা জর্মন ব্রোদকাষ্টর দোটস ৱেলিনা লৌবা ইন্টরভিয়ুদা পাক্তক্লনা হাৎপগী থৌওংশিং থিংবা ঙমখিদবা মমাঙগী কনফ্লিক্ট কয়া পনখি। 'ঐখোয়না স্রেব্রিনিসা থিংলম্বা য়াই। ঐখোয়না রুৱানদাগী জিনোসাইদ থিংলম্বা য়াই।'

# রিও টুরিষ্ট জোনদা খুৎ থোক্লবদা দ্রগ ট্রাফিকর ৩ পুলিসনা হাৎখ্রে

রিও দি জানৈরো, ওক্টোবর ১১ : রিওগী স্লম অনীদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ব্রাজিলিয়ন পুলিস অমসুং দ্রগ ট্রাফিক্করশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবদা মীওই অহুম শিখ্রে অমসুং মঙানা অশোক-অপন নংখ্রে।

নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোকশিং অদুনা মনাক নকপা কোপাকাবানা অমসুং ইবানেমা টুরিষ্ট এরিয়াশিংদা মীয়ামবু মীপাইবা পোকহনখ্রে। অয়ুক্কী খুৎ থোক্লবদুদা ক্রিমিনেল অনী শোকখি অমসুং হোস্পিটালদা শিখি।

অহুমশুবা ক্রিমিনেলদু ক্লিফ অমদগী তাদুনা শিখি হায়না কান্টাগালো অমসুং পাভাও-পাভাওজিনহো স্লমশিংদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা মিলিটরি পুলিসনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

ক্লিফতগী তাদুনা শিখিবা মীওই অদু কোকেইন কিলোগ্রাম নিপানলোম য়াওবা বেকপেক অমা মশাদা য়াওখি হায়না মিলিটরি পুলিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

## EMPLOYMENT NEWS

**Government of Manipur**
**Employment Exchange, Imphal East,**
**Porompat.**

**Employment Notice**
Imphal, the 4th Oct., 2016

No.1/4/EE(IE)/98:IT is hereby notified to all jobseekers that the following posts are Lying vacant in the office of the Director Manipur State RSBY,labour Deptt.Vide his Letter No.5/7/2007 Lab-(Pt): dtd 21.9.2016.Willing eligible candidates who got their Names registered with Employment Exchange may contact the Vacancy Assistant Of this office on 11,12,13,October,.2016 during office hours.

| SL. No. | Name of post | No.of post | Scale of pay | Status | Requisite Edn.qualification |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Project Officer, | 1 | Rs.13,500/= | U.R. | i)MBA/Any graduate from a recognized University.1 yr experience in related field ii) Experience in social sector development will be given preference. Desirable: Knowledge of Computer. |
| 2 | Accountant | 1 | Rs.7600/= | U.R. | i)Any Graduate from a recognized University ii)Diploma in Accountancy. |
| 3 | Technical Officer, (Data Analysis) | 1 | Rs.13700/= | U.R. | i)MCA/B.E.(Computer Science/IT) of a recognized Univeeristy.Min.2 yrs experience in related field. ii)Experience in database related will be given preference. |

(TH.BIDIYAPATI DEVI)
District Employment Officer, Imphal East.

**Government of Manipur**
**Employment Exchange, Imphal East, Porompat.**
****

**Employment Notice**
Imphal, the 7th October, 2016.

No.1/4/EE (IE)/98: It is hereby notified to all Job seekers that some posts are lying vacant in the Office of the Director, Treasuries and Accounts Govt. of Manipur Vide his letter No.4/140/2002-DTA(01/131) dtd.5/10/2016.Willing eligible candidates who got their names registered in this Exchange may contact the vacancy Assistant of this office on 13,14, and 15th October,2016 during Office hours.

| Sl. No. | Name of post | No. of post | Scale of pay | Essential qualification | Age limit | Status of Post. |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Junior Accounts Assistant | 19 | Rs.5200-20200/= +GP Rs.2000/= | Essential:- 1. Graduates who have completed a Course on Computer Concepts) (DOS+Windows+MS Office+Multi-Media + Internet) of central/State Recognized Institute. | 38 years as on 18/9/2016, relaxable by 5 Yrs for ST/SC and 3 yrs for OBC candidates | U.R. = 12 S.T. = 04 Obc(M)= 02 Obc(MP)= 01 |
| 2 | Grade IV. | 10 | Rs.4440 – 7440/- GP RS.1300/= | Essential: HSLC/Equivalent. 1.Knowledge of Hindi 2.Good Physique 3. Experience in Cycling. | As above | U.R. = 06 S.T. = 04 |

(TH.BIDIYAPATI DEVI)
District. Employment Officer,
Imphal East.

# দোনগী জর্নেলিষ্ট পাকিস্তান থাদোকপা য়াহনখিদ্রে



ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ১১ : ইন্দিয়ন আর্মি কম্মান্দোশিংনা সেপ্টেম্বর ১৮ দা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অমা চথখিবা মতুংদা অৱাংবা থাক্কী সিভিল-মিলিটরিগী অরোনবা মীফম অমগী ৱারী ফোঙলুবদগী পাকিস্তান্দা অরুবা ফীভম অমা লাকহনখিবা দোনগী রিপোর্টর সিরিল অলমৈদাগী মমিং পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী এক্সিট কন্ট্রোল লিষ্ট (ঈ সি এল) তা হাপচিনখ্রে।

ঈ সি এলদা মিং নিংথিনা হাপচিনখিবা হায়বসি জর্নেলিষ্ট অদু পাকিস্তান থাদোক্তুনা চৎপা য়াররোই হায়বনি। প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা সিভিলিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং মিলিটরিগী মরক্তা চথখিবা মীটিংগী মরমদা শেমজিন-শাজিনবা ৱারী অমা ফোঙখিবদা চেন্নবশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা ওর্দর অমা পীখিবা মতুংদা অলবৈদাবু লিষ্ট অদুদা হাপচিনখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওফিসল প্রেস রিলিজ অমনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা নেসনেল সিক্যুরিটি কম্মিটিগী মীটিং অমদা খন্নখিবা সিক্যুরিটিগী ইস্যুশিংগা মরী লৈননা নুংতিগী পাউচে দোনদা শেমজিন-শাজিনবা ন্যুজ ষ্টোরি অমা ফোঙখিবগী মতাংদা মীটিং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

দোনগী রিপোর্ট অদুদা অলমৈদোনা হায়খি মদুদি নৱাজ শরিফক্কী গভর্ণমেন্টনা মিলিটরি লিদরশিপতা মালেম্না পাকিস্তানবু ময়াম মরক্তগী তপ্না-তপ্না ইন্থোকপা হৌরক্লে হায়না চেকশিন-ৱা পীখি অমসুং ষ্টেটনা লৌখৎকদবা মরু ওইবা এক্সন কয়াগী মতাংদা য়ানবা পুরকপগী তঙাই ফন্দবা লৈ হায়খি।

গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী খঙহায়-খঙজিনগী মওংদা রিয়েক্ট তৌরকখিববু পাকিস্তানগী জর্নেলিষ্টশিংনা ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে। সিনিয়র জর্নেলিষ্ট সাহজেব জিলানিনা ট্বীটরদা হায়খি, 'দোনগী রিপোর্টর অমা এক্সিট কন্ট্রোল লিষ্টতা য়াওহল্লগনি হায়বসি ঐখোয়না তারে। মসিনা অচুম্বা ওইরবদি মসি খ্বাইদগী ঈকায়নিংঙাই ওইবা ওফিসল ওভর রিয়েক্সন ওইগনি।

এ আর ৱাই ন্যুজগী ওমর আর কুরেসিনা হায়খি, 'দোনগী সিরিল অলমৈদাবু থাঙ্গৈশেংনা এক্সিট কন্ট্রোল লিষ্টতা য়াওহনবা তারবদি মসি পাউপীবা মীওইবু ওইনা চৈরাক পীবগী খ্বাইদগী ময়েক লারবা খুদম অমা ওইরগনি।

পি সি বিগী হান্নগী বোস নজম সেথিনা ট্বীটরদা হায়খি, 'সিভিল-মিলিটরি ইষ্টাব্লিসমেন্টনা অপংবগী থৌওংদা সিরিল / দোনবু টার্গেট তৌদুনা ইন্টরনেসনেল মিদিয়াদা হেন্না চাউবা ৱারী অমা পীরে। মিদিয়ানা সিরিল অমদি দোনগীদমক্তা লেপকদবনি।



HL-B/3329/20/09-19/10

## EMPLOYMENT

**State Bank Of India – SBI Recruitment 2016 – 412 Assistant Manager (System), Developer, Project Manager & Various Vacancies – Last Date 22 October**

**SBI Recruitment 2016**

State Bank of India invites On-line application for the post of 412 Assistant Manager (System), Developer, Project Manager & Various Vacancies in Specialist Cadre Officer. Apply Online before 22 October 2016.

Advt. No. : CRPD/SCO/2016-17/9

**Job Details :**

Post Name : Assistant Manager (System)
No of Vacancy : 150 Posts
Pay Scale : Rs. 23700-42020/-

Post Name : Developer
No of Vacancy : 50 Posts
Pay Scale : Rs. 31705-45950/-

Post Name : Project Manager
No of Vacancy : 29 Posts
Pay Scale : Not specified

**Eligibility Criteria for SBI Recruitment :**
Educational Qualification :
For Assistant Manager (System) : B.E./ B.Tech in Computer Science/ Computer Application/ Information Technology/ Electronics/ Electronics & Telecommunications/ Electronics & Communications/ Electronics & Instrumentation OR M. Sc. in Electronics/ Electronics & Telecommunications/ Electronics & Communications/ Electronics & Instrumentation/ Computer Science/ Information Technology/ Computer Applications OR MCA from Government recognized University/ Institutes.
For Developer : Engineering Graduate from Government recognized University /Institute.
For Project Manager : Engineering Graduate (Preferably CS/IT/ECE) or MCA / M.Sc (IT) / M.Sc (Computer Science) with first class grade from Government recognized University/ Institute.
Nationality : Indian

**Age Limit : As on 01.09.2016**

For Assistant Manager (System) : 21 to 30 years
For Developer : 25 to 35 years
For Project Manager : 28 to 40 years

**Age Relaxation :**
For SC/ST Candidates : 5 years
For OBC Candidates : 3 years
For PWD Candidates : 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on Online written Exam, Short listing and Personal Interview.

**Application Fee :** Candidates belonging to General/ OBC have to pay Rs. 600/- & Rs. 100/- for other reserved categories through Online by using debit card/ credit card/ Internet Banking etc.

**How to Apply SBI Vacancy :** Interested Candidates may apply online through SBI website www.sbi.co.in between 04.10.2016 to 22.10.2016 and Candidates may also send Hard copy of Online application along with relevant documents (date of birth, educational qualification certificate, experience, caste certificates ( if belonging to SC/ST/OBC (non creamy layer categories) to The General Manager, State Bank of India, Corporate Centre, Central Recruitment & Promotion Department, Atlanta Building, 3rd floor, Plot No. 209, VBR, Block No.III, Nariman Point, Mumbai – 400 021 on or before 26.10.2016. (only for Post Sr. No. 5 to 32)

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 04.10.2016
Last Date for Submission of Online Application : 22.10.2016
Last Date for Submission of Hard Copy of Online Application : 26.10.2016. (only for Post Sr. No. 5 to 32)

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.sbi.co.in/webfiles/uploads/files/ENGLISH_SCO_OCT_2016.pdf
Apply Online : http://ibps.sifyitest.com/sbiscooct16/reg_start.php?msg=

**Indo Tibetian Border Police Force – ITBP Recruitment 2016 – 104 Constable Vacancies – Last Date 31 October**

**ITBP Recruitment 2016**

Indo-Tibetian Border Police Force invites applications for the post of 104 Constable, Group 'C' Non-Gazetted (Non-Ministerial) for Sport Persion. Apply before 31 October 2016.

**Job Details :**

Post Name : Constable
No of Vacancy : 104 Posts
Pay Scale : Rs. 21700-69100/-
Grade Pay : Rs. 4600/-

**Eligibility Criteria for ITBP Recruitment:**
Educational Qualification : Candidate should have matriculation or 10th From a recognized Board or university or equivalent.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 23 years (as on 31.10.2016)

**Age Relaxation :**

For SC/ST Candidates : 5 years
For OBC/ Ex-Servicemen : 3 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made through Physical Measurement, Written Examination, Skill Test and Medical Examination.

**How to Apply ITBP Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with self attested copies of relevant documents, one latest passport size photograph & two self addressed envelop size 9?x 4? with Rs. 5/- Postage stamp affix on each envelop send to Deputy Inspector General, BTC, ITB Police Force, Bhanu Camp, PO-Bhanu, Distt- Panchkula (Haryana) PIN-143103 on or before 31.10.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 31.10.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://itbpolice.nic.in/itbpwebsite/Documents/2016-10-03%20(2).pdf